**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-09-2025)**

**কাপবা (এল)ঃ** নোনে জিলাগী খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওল কছার রোড হায়রগসু খঙনবা খৌপুম রেংপাং লম্বীগী রাগাইলোং ভিলেজ মনাক্তা লৈবা ইরং থোং মনাক্তা ঙসি এন.এস.সি.এন (আই.এম) অমসুং জেট.য়ু.এফকা মীওইশিং ওইরমগনি হায়না চিংনবশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ খ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা অদুৱাইদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওবগী পাউ হৌজিমক্কী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। অকুপ্পা পাউ ঙায়রি।

**কোর্ট (এল)ঃ** হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা হন্দক্তা কেন্দ্রগী লো এন্দ জষ্টিসকী রাজ্য মন্ত্রি-আরঞ্জুন রাম মেঘাৱাল অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস দি.আর. গভাইগা উন্নদুনা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জর্জ মশিং মঙাদগী তরেৎতা হেনগৎপীনবা তকশিনখ্রে।

ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী কমপ্লেক্সতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-সেনিয়ার এদভোকেট-নাওরেম কুমারজিৎনা হায়-হায় কোর্ট অসিগী জজ মশিং তরেৎ শুরবদি ফুল ফ্লেজেদ হায় কোর্ট অমা ওইবা ঙমগনি। মসিনা কোর্টতা মতম শাংনা কেস কয়া পন্দুনা লৈবদগী মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি হন্থহনবা ঙমগনি। হায় কোর্ট ওফ মনিপুরদা কেসশিং ফাইল তৌবগী চাং হেনগৎলক্লিবা

অসিগী য়েংলগা জজ মশিং ৱাৎপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**দিংগো (এল)ঃ** এম.এল.এ. হৈখাম দিংগোনা ঙসি খুরখুল ৱাটর সপ্লাই স্কিমদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খুরখুল অৱাং লৈকাইগী মীওইশিংনা থকবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবশিং মায়োকরিবা অদুগী মতাংদা খুঞ্জাশিংনা এম.এল.এদা পাউদমখি। খোঙচৎ অদুদা শ্রী দিংগোনা হায়-জল জিবন মীসনগী মখাদা যুমথোং খুদিং থক বা অফবা ঈশিং ফংহন্নবগী থবক লৌখৎলবসু চহি অনিরোম শুরক্লবা মনিপুরগী ইরাং অসিনা থবকশিং অসি খুমাং চাউশিন্না পায়খৎপা ঙমদ্রি। অদুমওইনমক, মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংদা পাউতাক পীদুনা য়ারিবমখৈ থুনা মীয়ামদা থকবা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনরি। শ্রী দিংগোনা হায়-জল জিবন মীসনগী মখাদা পায়খৎলিবা কৈঙম এন্দ কানটো ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিসু লোয়শিল্লক্লবদি মীয়ামদা থকবা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা ঙমগনি।

খোঙচৎ অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পি.ঐচ.ই.দি. দিভজনগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমসুং খুলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**এম্ব্যুলেন্স(এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী এম্ব্যুলেন্স অনি ঙসিদগী সর্ভিস তৌবা হৌখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতগী জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনরসু ওইরিবী ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট-ডা.নিভেদিতা লাইরেনলাকপম অমসুং ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপ্র ষ্টেট ব্রান্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট-ডা.আর.কে.নিমাইনা সর্ভিস অদু হৌদোকখি।

সোসাইতি অসিগী চেরোল অমনা হায়-এম্ব্যুলেন্স অনি অদু হান্নগী কেন্দ্রগী মপাল থৌরম অমসুং শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডা.আর.কে.রঞ্জন অমসুং লোক

সভাগী এম.পি ওইরিবা ডা.অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা খূৎশিন্নরকপনি।

**এৱার্দ (এল)ঃ** মণিপুরগী শকাইরবা এদভেঞ্চরর অমসুং মাউন্তেনিয়র ডা.কঙাবম রোমিও মীতৈদা ভারতকী এদভেঞ্চর স্পোর্টসকী খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি অমা ওইরিবা নেসনেল এদভেঞ্চর ফাওন্দেসন(এন.এ.এফ) ন্যু দিল্লিনা লেমজনিঙাই ওইরবা ব্রিগেদিয়ার গ্যান সিংহ নেসনেল এদভেঞ্চর এৱার্দ পীরক্লে। ডা.রোমিও মীতৈ এন.এ.এফ মণিপুর চেপ্তরগী দাইরেক্তরনি।

মনা অদু হৌখিবা ওগষ্ট ৩১ দা দেল্লিগী ৱাই.এম.সি.এদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এন.এ.এফ. ন্যু দিল্লিগী প্রসিদেন্ট লেফটনেন্ট জেনরেল রমন ধৱননা ডা.রোমিও মীতৈদা খূৎশিন্নখি। মনা অসিদা ত্রোফি অমা, সাইতেসন অমসুং শেলগী মনা য়াওরি।

**ওজা (এল)ঃ** চহি অসিগী ওইনা নেসনেল টিচরস এৱার্ড ২০২৫ পীননবা লৈবাক অসিগী ওজা ৪৫ খনগৎপদা মনিপুরগী ওজা-কোইজম মচাসনা য়াওরে।

কুমশি চহিগী ওজাগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংবু তাকপী তন্বীবগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং লৌবগীদমক ওজা ৪৫ খনগৎতুনা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎকদবনি। ওজা কোইজম মচাসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ঘাড়ি অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওজানি। মহাক স্কুল অসিগী হেদ মিষ্ট্রেস ওইনা লৈরি।

**এময়ু (এল)ঃ** হেরিটেজ নোলেজ ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া এন্দ বিয়োন ইন্দিয়ান নোলেজ সিষ্টেম হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা মালেম থাক্কী সেমিনার অমা ঙসিদগী মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা হৌখ্রে। সেমিনার অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. লেকেন্দ্র য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**লম্বী (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী তাংজেং এস.সি.আই. গোদাউন্দ তাবা লম্বীগী ফিভম ঙসি এম.এল.এ-কে. মেঘাচন্দ্র অমসুং থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হানা কামৈনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা পি.ডব্লিয়ু.দিগী ওফিসিএলশিংসু লোয়নখি। লম্বী অসিগী ফিভম ফত্তনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা শেমজিন্নবা থবক পায়খৎনবা এম.এল.এনা দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং পি.ডব্লিয়ু.দিগী ওফিসিএলশিংদা ফোংদোকখি। মীয়ামসু লম্বী অসি থিংজিনবগী খোঙজং হন্দোক বা এম.এল.এনা আপিল তৌখি।

**চোথে (এল)ঃ** কুমজা খুদিংগী বিষ্ণুপুর জিলাগী লমলাংহুপী চোথে খুল খক্তদা পাঙথোক্তুনা লাকপা মনিপুরি চোথে ফুরুপকী অথোইবা কুম্মৈ-অচুইলিন, ঙরাং হৌনবী মতুং ইন্না চোথে থৱায় পাখংবগী লাইশঙদা অথেনপোৎ কাদুনা, কোয়াই হুন্দুনা হৌদোকখ্রে। লাংবন থাগী পাখংবদা তনবুম কৎপা হায়রগসু খঙনবা কুম্মৈ অসি লাক্লিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা কোনচন-য়াইচনদুনা লমদমসিদা তংদু লৈতাবা হনজিলহনবীনবা থৌনিবগা লোয়ননা লোয়শিনগনি হায়না চোথে খুলগী খুল্লাকপা-থাউ জাত্রা চোথেনা ফোংদোরক্লি।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং জিলা ১১ দা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা হয়েং নোং চুগনি। হায়রিবা জিলাশিং অসিগী মফম খরদদি অখাক অরাও য়াওনা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি। মথংগী নুমিৎতনা রাজ্য অসিগী

তোঙান তোঙানবা জিলা ৯ দা নোং চুগনি হায়রি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক কোবিদকী এক্তিব কেস অমখক্তং ঙায়রে। ঙসিগী ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাদগী মীওই অহুমগী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই অমত্তা পোজিটিব ওইখিদে।

হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়-চহি অসিগী জন অমদগী নৌনা শন্দোকপা হৌরকখিবা কোবিদ নাইন্তিনগী লায়চৎ অসিদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৩৬৬ পোজিটিব ওইখিবগী মনুংদা ৩৬৫ নাবা ফগৎলক্তুনা এক্তিব কেস অমখক্তং ঙায়হৌবনি।

**পঞ্চায়ট (এল)ঃ** এহোগ কমিতি ওফ ওল মনিপুর ইলেক্টেদ পাঞ্চয়েটি রাজ ইন্সটিট্যুসন ২০১৭ কী এদভাইজর-ক্ষেত্রি তামানা হায়রি-হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা পীখিবা থা তরুক্কী মতম অসিগী মনুংদা পঞ্চায়ট ইলেক্সন শোয়দনা পাঙথোকপীয়ু।

ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ক্ষেত্রি তামানা হায়-মীখল পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবগী মনুংদা শেমগদৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেটিব কমিতিদা হান্না মীখলদা মায় পাক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা ওইহনবীয়ু হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**অভিয়ান (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা ঙসি তুইবোংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ট্রেন্নিং সেন্টরদা সমপুরনা অভিয়ান সমান সমারোহ পাঙথোক্তুনা সমপুরনা অভিয়ান মায় পাকহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ফ্রন্ট লাইন ৱাকরশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমসুং ওফিসিএলশিংবু ইকায় খুমখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-দরুন কুমারনা হায়-থৌশিল অসি মায় পাকবা হোৎনবদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং,

ফ্রন্টলাইন ৱাকরশিং অমসুং সরকারগী ওফিসিএলশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদু থোইদোকা থাগৎনিংঙাইনি।

**স্কিম (এল)ঃ** রেজিং এন্দ এসিলরেটিং এম.এস.এম.ই. পার্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতিনা শিনদুনা তেংনৌপল জিলাগী মচি ব্লোক্কী মনুং চনবা লাইচিং মৈপৌ ভিলেজতা মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসকী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মদুদা, উধ্যয়ম রেজিষ্ট্রেসন দ্রাইব অমসু পাঙথোকখি।

**লৌউ (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী লৌউ শিংউ লোইশঙনা ফরটিলাইজর লাইসেন্স নৎত্রগা সার্টিফিকেট ওফ রেজিষ্ট্রেসন পায়বা প্রাইবেট রিটেল্লর, প্রাইমারি এগ্রীকলচরেল কোওপরেটিব সোসাইতি অমসুং ফামর প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসনশিংদা ফরটিলাইজ আই.দি. পীগদৌরি। চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবদা মরি লৈনবা চে-চাং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা জিলা অসিগী ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিবলপমেন্ট সার্ভির্সেসকা খুৎশমদুনা পোসান ভি পরাই ভি স্কিমগী মখাদা মমাং থাগী মরিদগী চথ্থরকখিবা অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা লোয়শিনখ্রে। মদুদা পুন্না অঙ্গনৱাদি ৱাকর ৫৭৪ না শরুক য়াখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসকা পুন্না খুৎশমদুনা নাসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা সোরাদা লৈবা রোয়েল ব্রাইটর একাডমীদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ময়াই কাবা চিঙ্গাকা মীওইবগী হকচাংদা

অমাংবা থোকহনবা অমদি খুন্নাইগী ওইবা সমস্যা কয়া থেংনবগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ত্রান্সজেন্দর ১১ দা শক্তাক চেশিং য়েন্থোকখি।

**তামারা (এল)ঃ** মেজর মাইবিয়া তামারা সিংহ লৈখিদবগী ১১৩ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা ইকো হিষ্টোরিকেল পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

মেজর মাইবিয়া তামারা সিংহ মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীয়ামনা লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম বা উৎখি।

**কন্দোল (এল)ঃ** জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা লমদম অসিগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ভেটরান জর্নেলিষ্ট-ঐচ. অচৌবা শর্ম্মনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং এদিটরস গীল্ড মনিপুর (ই.জি.এম) না পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবগী মফমদা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি, ঐচ. অচৌবা শর্ম্ম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী জোইন্ট এদিটর ওইনা থবক তৌরমখি। মখা তানা সনা লৈবাক, লমজিংবা টাইমস অমসুং টাইম ওফ মনিপুরদসু এদিটর ওইনা থবক তৌরম্মী।

**খোঙজং (এল)ঃ** বিরমঙ্গোল কলেজ-শওম্বুংগী হাংদুনা লৈরিবা প্রিন্সিপালগী ফম মেনশিন্নবা দাবী তকশিনদুনা ঙসি বিরমঙ্গোল কলেজগী ষ্টাফশিংনা অমুবা বেজ থেৎতুনা খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে। কলেজ অসিগী হাংলিবা প্রিন্সিপাল

অথুবা মতমদা হাপ্পীনবা কলেজ অসিগী ওজাশিংগী এসোসিয়েসন অমসুং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা হান্নদগী হৌনা দাবী তৌদুনা লাকপনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সেমি কন্দক্টরগী লমদা ভারতনা মালেমদা থোইদোক হেন্দোকপা মফম অমা কনবা ঙম্লকপা অসিনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মংলান মংফাওনহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি সেমিকোন ইন্দিয়া-২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-মালেমগী ওইনা সেমি কন্দক্টরগী কৈথেল অসি বিল্লিয়ন দোল্লর ৬০০ য়ৌবা ঙমলে। লাক্কদৌরিবা চহি খরদদি মসি ত্রিল্লিয়ন দোল্লর অমা হেল্লবা য়াই হায়না পান্নরি। মালেমগী সেমি কন্দক্টরগী কৈথেলদা ভারতনা থোইদোক হেন্দোকপা মফম অমা কনবা ঙম্লি হায়না ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিদা সেমি কন্দক্টর শাবগী লমদা সরকারনা অখন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপদগী ফিভম অসি য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

**মোদিঃ** মিজোরামদা থা অসিগী ১৩ দা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি লাক্কদৌরিবা অদুগীদমক শেম শাবগী থবক কনখৎলক্লি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা আইজোলগী লমুয়েলদা নৌনা শেমগৎপা, বাইরাবি-সাইরং রেলৱে লাইন শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা মিজোরামগী মুখ্য মন্ত্রি-লালদুহোমানা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী নোংমগী খোঙচৎ অসিদা সাইরাং রেলৱে ষ্টেসনসু শঙ্গারমগনি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা মিজোরামগী চীফ সেক্রেটরিনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎনবা খন্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাগদৌরিবা কিলোমিটর ৫১ হেন্না শাংবা রেলৱে লাইন

অসি কেন্দ্র সরকারগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী শরুক অমা ওইনা লমদম অসোমগী লম্বী থোং অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা পায়খৎপা প্রোজেক্টনি হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দি.এস.এ চান্দেলনা শিন্দুনা চথুরিবা দি.সি. চান্দেল ত্রোফি সুপর দিভিজন লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দামজোল ৱাই.সি অমসুং চান্দেল খৃষ্টান ৱাই.সি. পাঞ্চল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-চকপিকারোং ৱাই.সি. অমসুং জাফৌ ৱাই.সি. অনিনা লম্বা থেংনবদসু পাঞ্চল ৫-৫ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (অম্ফা) গী মখাদা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা এ.এফ.সি. (সি) দিপ্লোমা কোর্স ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

থৱায় য়াওবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ১০ ফাওবদা অকুপ্পা মরোল পীশিনদুনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না অম্ফানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**কটারঃ** কটারগী দোহাদা চথুরিবা এ.এফ.সি. অন্দর টোইন্তি থ্রি এসিয়ান কপ ফুটবোল ক্বালিফাইয়রদা ভারত অমদি বেহরাল হয়েং লম্বা থেংনরগনি।

ভারতনা থা অসিগী তরুক্তা কটারগা অদুগা থা অসিগী ৯ দনা ব্রুনৈ দারুশালমগা লম্বা থেংনগনি।